কর্ফিয়ু নত্তবা অনৌবা থৌশিল পায়খৎপীয়ু : শরতচন্দ্র

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিড-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা নুমীৎ ১০নি টোটেল কর্ফিয়ু থম্লবসু লায়না-লাইচৎ অসি নাবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি ফগৎলকপগী চাং নেম্না লৈরিবা অসিগী য়েংলগা কর্ফিয়ু নত্তবা অনৌবা থৌশিল অমা পায়খৎপীয়ু হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা মীদিয়াদা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা ষ্টেট অসিদা হৌখিবা এপ্রিল ৩০দগী জুলাই ১৭ ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা লোকদাউন, কর্ফিয়ুনচিংবা থম্লকখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা হৌখিবা জুলাই ১৮দগী হৌরগা লাক্লিবা জুলাই ২৮ ফাওবা টোটেল কর্ফিয়ু থম্লি। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা টোটেল কর্ফিয়ু থম্লবসু নাবগী চাংদি হেনগৎলকপনা কর্ফিয়ু অসি মখা তানা থমজিল্লগনি। লৈবাক অসিগী অচৌবা ষ্টেট কয়াদা কোভিদ লায়না-লাইচৎ নারম্বদগী ফগৎলকপগী চাং ৱাংলবসু মণিপুরদদি ফগৎলকপগী চাং অসি নেম্লি। মসিগীসু মথক্তা শিবগী চাংসু হন্থবা হায়বদু ওইদ্রি। নোংমদা মীওই লিশিং ১গী মথক্তা নারি। টোটেল কর্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকপসু য়াদবা মতম অসিদা নাবগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলক্লগদি টোটেল কর্ফিয়ু থম্বগী ৱাহন্থোক লৈরক্তে। টোটেল কর্ফিয়ু অসিনা লায়রবা ইমুং অমদি নোংমগী শু-নোমজরগা হিংজবা মীওই কয়াদদি খম-থেংনা ৱাহল্লে। হিংনবগী লম্বী লৈরক্তবগী ফীভমদা লাক্লে। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মখা তানা কর্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম্বু অৱাবা মায়োক্নহল্লগুমসি। মসিগী মহুৎতা মীয়াম্বু কোভিদতগী ঙাকথোক্নবা হেন্না শাফগদবা টেক্নিকেলগী ওইবা মওং অমা পুথোক্নবা হোৎনসি। কোভিদকী মাস টেষ্টিং অমসুং মাস ভেক্সিনেসনগী থবকসু হেন্না য়াংশিন্না পাঙথোক্নবা হোৎনবীয়ু।

লৈঙাক্লসু ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা লায়রবা ইমুং কয়াগী চাকখুম করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু য়েংশিনবা মতম ওইরে। লায়রবা ইমুং কয়াদি চান-থক্নবা লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা খম থেংনা মায়োক্নরে। মসিগীসু মথক্তা লমজাও সোরোক্তা থোকপা য়াদ্রবনিনা লৈকায় লৈকায়দা মীওই কয়া পুল্লপ পুল্লপ পুন্দুনা লৈবগী মতৌ কয়া অমসু উরে। মসিনা লায়না-লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোকহল্লকপসু য়ারি। লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা ষ্টেটনি হায়রিবা মহারাষ্ট্রগী মীশিংগা কোভিদনা নাবগী চাংগা চাংদম্নবদা মণিপুরনা কোভিদনা নাবগী চাং অসি মহারাষ্ট্রদগী শরুক মঙাগী মথক্তা হেল্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৯৮নি। অদুগা মণিপুরগী ওইনদি ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৮৬ লোমতা ওইরি। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগীদি রিকোভরি রেট অসি য়াম্না ৱাংখৎনখ্রে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ লায়না-লাইচৎকী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী অচঙবা লাইফ মেম্বর অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরম্বা মণিপুরী লোল, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী স্কোলার অমদি একাদেমীসিয়ন প্রোফেসর লাইশ্রম সদানন্দ ঙরাং খঙহৌদনা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এলাংবম প্রিয়ব্রতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শীংজমৈ মথক চোংথাম লৈকায়দগী প্রোফেসর লাইশ্রম সদানন্দনা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরী লোল, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী লমদা চাউখৎনবা হোৎনবদা নত্তনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা সেমিনার কয়াদা মচঙ ওইবা পেপর কয়া পুথোক্তুনা, মোদরেটর ওইদুনা মরুওইবা মী অমা ওইখি। মহাক্না লমদমসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী হীরম কয়াদসু মচঙ ওইবা ৱাফম কয়া থম্বীরমখি। লমদমসিগী মহে-মশিনগী লমদা চাউখৎনবা হোৎনবদসু মায় ওনশিনখিবা একাদেমীসিয়ন অমা ওইনা মণিপুর কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরমখি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতম ফাওবদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজ রি বোর্দ, ন্যু দেল্লীগী মেম্বর অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইখিবদা নত্তনা অফবা পাউতাক কয়া পীরম্বা মেম্বরনি।

প্রোফেসর লাইশ্রম সদানন্দনা লৈখিদবদা হৌজিক হৌজিক্কী কোভিদকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ইশা-ইশা লাক্নদুনা পুনবগী খুদোংচাদবনা ভর্চ্যুএল কোন্দোলেন্স মীটিং অমা অথুবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রেসিদেন্ট কাঙজম ইবোহলনা থৌরম মপু ওইদুনা ঙসি পাঙথোক্তুনা পরিষদ অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরেম্লেন্দা ঈংনা চিক্না লৈরুনবসু থৌনিজখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শজি অমা কনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): সিখোং বজারদা ঙসি য়ুম্নাম হেমচন্দ্র, পুয়াম অচৌ, য়ুম্নাম ইবুংঙো, মথং অমসুং পুয়াম সুরেশ কৌবা মীওইশিংনা ফার্মাসি অমগী বাথরুমদগী শজি অমা ফাদুনা কনখিবগা লোয়ননা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে। শজি অদু নোংপোক সেকমাই পি এসকী ও সী কৈশাম প্রেমনা অমুক মণিপুর ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন ওথোরিটিদা তেক্ত কায়দনা খুৎশিন্নখ্রে। মতৌ করম্না অমদি কদায়দগী শজি অদু মফম অদুদা কুমথরক্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙদ্রি। অদুমকপু চীংদা উমং-ৱামং কোকথোরকপনা মরম ওইরগা তম্পাক লমদা শজি অদু কুমথরকপা ওইরমগনি হায়না লৌনরি।

ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ১৯৯৯ দা থোকখিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থান অনীগী ঙমখৈগী লানদা ইন্দিয়ানা লান ঙমদুনা লানঙম ফিরাল থেৎতুনা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবা কার্গিল দিৱস নুমীৎকা মরী লৈননা লানফম অদুদা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মণিপুরগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্তগী নাগা রেজিমেন্ট অমদি অসাম রেজিমেন্টকী জৱানশিংগী লোয়নবীশিংদা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লমজিং মখাদা এস টি মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশ অমদি এক্স-সর্ভিসমেন সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

কোয়না চৎতুনা পাঙথোকখিবা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী খোঙচৎ অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস, এস টি মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট লনজাইগাই গাংমৈ, এক্স-সর্ভিসমেন সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কনভিনর এল রামেশ্বর অমসুং কো-কনভিনর এল ইবুংঙো য়াওনা বি জে পিগী থৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

মোইরাংগী লৌমীশিং হার ফংদ্রে : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মোইরাংগী লৌমীশিং হার ফংদ্রে, লো কেনেল তৌবগী কান্নদ্রে হায়না মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লৌমী-শিন্নী অমসুং নুপী লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লৌমী-শিন্নী অমসুং নুপী লূপকী সেক্রেটরি এল মংলেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা এ সীশিংদা হার ফংলবসু মোইরাং এ সীগী ওইনদি হার ফংদবগী অৱাবা লৌমীশিংনা মায়োক্নরি। লূপ অসিনা হৌখিবা এপ্রিল থাদগী লৌমীশিংদা হার মতম চানা ফংহনবীয়ু, কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী য়েংলগা মমাঙগী চহীগুম্না হারগীদমক লৌমীশিং ক্যু লেপহনবীগনু, এগ্রি ওফিসতা অহিং য়ারেকহনবীগনু হায়বা ৱাফম মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোকচখ্রবনি। জুন থাদগী লাকপা হার অদু য়েনবগী খন্নরিঙৈদা নুমীৎ খরনিসু মতম মাঙহনখ্রবনি। লৌমীশিংদি লৈঙাক্ন বু ওইরো, লোয়শঙনবু ওইরো, কাউন্সীল, প্রধান, মেম্বর অমদি এজেন্টনবু ওইরো, পোলিটিক্স তৌরিবা কাঙবুনবু ওইরো লৌমীশিংদা হার মতম চানা ফংহনবীয়ু হায়জবনি। এগ্রি ওফিসশিংদা দি ওশিংনা য়োংনা চু পায়বগুম হার পায়শিল্লগা থম্বগী হৈনবী থাদোকপীয়ু। লুরিবদি হার চাইবগী মতম হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা হার লৈত্রে, দি ওদা হংবদসু লাক্কদবা মতম খঙদ্রি হায়রি। মণিপুরদা লৌমীশিংগীদমক হার ৱাৎহল্লোই, হার পৈদুনা লৈরি হায়না লোয়শঙনা লাউখিবা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপীদুনা লৌমী মীয়ামগী নীংবা থুংহনবীয়ু। য়াওশং লোইরগা অবের থুবগী ফীভমদা তাহনবীগনু।

লৌমীশিংনা হার ফংদবগী, কোভিদ-১৯গী ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা হন্দক চহীগী নোং লিক্লা চুবা মরম্না মোইরাংগী লৌফম অয়াম্বা লৌ পানবা য়াদবসু য়াওরি। লোক্তাক ময়াদা খুন্দারিবা মোইরাংদা লো কেনেল, হায় কেনেল লৈনা লৈনা লৌফমশিংদা ঈশিং ফংহন্দবা হায়বসি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদবদগীনি। হৌখিবা চহী ৩০গী মমাঙদা কুমজা ১০৮৮কী ফেব্রুৱারীদা কেনেল অসিদা ঈশিং পীবা হৌরম্লবনি। লমদম অসিগী লৌমীশিংনা অনৌবা লৌরোক হাপকৎপা ঙম্লগনি হায়না ঙমখৈ লৈতনা হরাওনখি। কেনেল অসি শীজিন্নবা য়াদ্রবসু মতুংদসু এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা য়েংশিনবীদুনা থবক ওইনা মতম খরা পাঙথোকপা হৌরম্লবনি। অদুবু হৌজিক্তি কেনেল অসি মপু পান্দবগা চপ মান্নরে। ঈকং কয়া থোক্লবসু ঙসি ফাওবা কেনেল অসিগী কান্নবা লৌমীশিংনা ফংদ্রি। চহী খুদিংগী কেনেল অসি শেমজিনবীননবা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎলবসু তাবীদনা লাক্লি। হন্দক খঙহৌদনা লোক্তাক লিভ ইরিগেসন ফার্মর দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী লো কেনেলনা কোনবা কিলোমিটর ৮গী মফমদা ঈশিং পীবা ঙম্লে হায়না মীদিয়াদা ফোঙলকপা অদু কেনেল অসিনা কোল্লিবা মফমদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা য়াবা ঙম্লোই। অথুবা মতমদা মাঙখিগদৌরবা কেনেল অসি মোইরাংগী মীয়ামগী ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈদা শেমজিনবীননবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ২৬৬ হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): থোংজু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা হৌজিক চথরিবা মাস ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা ঙসি মীওই ২৬৬ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগীসু এম এল এ ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা পরিং নাইনা চথরিবা মাস ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা ঙসি নিঙোমথোং বজার কম্যুনিটি হোলদা পুন্না মীওই ২৬৬ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। মদুগী মনুংদা ফর্ষ্ট দোজদা মীওই ১৬৭ অদুগা সেকেন্দ দোজদা মীওই ৯৯নি। মিনিষ্টর বিশ্বজিৎ মশা লাক্তুনা মাস ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু য়েংশিনবা লাকপগা লোয়ননা মীয়াম্বু পুক্নিং থৌগৎখি। জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধানশিংসু শরুক য়াখি।

আয়ুশকী হিদাক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা শীজিন্নবা দিপার্টমেন্ট ওফ আয়ুশনা পীবা হিদাকশিং য়ুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস (ৱাই ও এফ এফ এস), অমুকো অমদি ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনশিংনা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংদা য়েন্থোকখ্রে হায়না ৱাই ও এ এফ এফ এসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হিদাকশিং অদু য়ুথস গাইদেন্স ক্লব কোংবা, সাউথ ইষ্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কোংবা খুনৌ, সেন্টর ফোর হ্যুমেন রিসোর্ছ চনম সন্দ্রোক, সোলো ক্লব থিয়াম কোঞ্জিন, খনরোক দিসেন্ট য়ুথ ক্লব কৈরাও লংদুম অমসুং হুইরেম লৈকায় স্পোর্টস এন্দ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনদা য়েন্থোকখিবনি।

মিরাবাই চনুগী ইমুংদা বোদি সেনিটাইজেসন টনেল য়াওনা পোৎলম কয়া খুদোল তমখ্রে

CONGRATULATIONS
To
Saikhom Mirabai Chanu
Silver Medalist 2020 Tokyo Olympics
Nation is Proud Of You
Warm Regards
From Saikhom Enterprises
UV STERILIZER

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): টোকিও ওলিম্পিক্স ২০২০দা ৱেথলিফ্টিং মশান্নদা সিলভর মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল একাউন্ট হাঙদোক্তুনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখিবী সাইখোম মিরাবাই চনুগী ইমুংদা সাইখোম ইন্টরপ্রাইজেসনা হকচাং পুন্সা সেনিটাইজ তৌনবগী সেনিটাইজেসন টনেল, য়ু ভি ষ্টেরিলাইজেসন বোক্স, য়ু ভি রুম সেনিটাইজর লেম্প অমসুং সেনিটাইজর ৱাটর সোল্যুসন্নচিংবা পোৎলমশিং খুদোল তমখ্রে।

খুদোল তমখিবা অদুগা মরী লৈননা সাইখোম ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর সাইখোম রতনজিৎনা হায়খি, মণিপুরদা কোভিদ-১৯ হেক শন্দারকপা হৌরকপদগী লায়না-লাইচৎ অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্নবা হায়দুনা সাইখোম ইন্টরপ্রাইজেসনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা শীজিন্নগদবা পোৎলম কয়া মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাক্লি। হন্দক টোকিও ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মণিপুরগীসু মিংচৎ পুরকখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা মণিপুরদা হেক থোক্লকপগা মীওই কয়ানা মহাকপু পুক্নিং থৌগৎপা, ঈকায় খুম্নবা উৎপা অমদি খুদোল পীবা লাকপা হায়বসি শুংশোয় শোয়দ্রবা ৱাফম অমনি। মরম অসিনা মহাকপু উনবা লাক্কদবা মীওইশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্ন বগী পান্দমদা মিরাবাইনা ইম্ফালদা য়ৌরক্ত্রিঙৈঙৗ মাঙওইননা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংদা তেংবাঙবা ওইনা ঙসি সাইখোম ইন্টরপ্রাইজেসকী মায়কৈদগী বোদি সেনিটাইজেসন টনেল য়াওনা পোৎলম কয়া অসি খুদোল তমজবনি। মহাক্না টোকিও ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌরকখিবা অসিগীদমক্তসু হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোরোনাভাইরস ভেক্সিনেসন

লৌশিং পুক্কে

বুষ্টর দোজ অমগা অমুক কাপ্পা মথৌ তাখিগদ্রা?

নোভেল কোরোনাভাইরসনা ঐখোয়গী পুন্সিবু তোঙান তোঙানবা মওং কয়ামুক্তা চৈথেং লেপ্তুনা পীরি। নৌনা থোরক্লিবা হকচাংদা অমাঙ-অতা থোকহনবা সিম্পটমশিংগী মওংদবু ওইরবসু নৎত্রগা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংগী শক্লোন্দবু ওইরবসু লায়না লাইচৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা য়াম্না চাউবা অৱাবা চৈথেং অমা পীরি।

অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা, হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ ভেক্সিনশিং অসি মথৌ তাবা পোৎশক হায়বদু ওইরে। অদুমওইনমক, কোভিদ ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপখ্রবা মীওইশিংদা ইনফেক্সন তৌরকপগী কেসশিং নৌনা থেংনরক্লিবা অসিনা ভেক্সিনগী মতাংদা চিংনবা লৈরম্বশিং অদু হেনগৎহনবা ওইনা থোক্লি। এক্সপর্টশিংনা হৌজিক কোভিদ ভেক্সিনগী অহুমশুবা দোজ অমা মথৌ তাবগী মতাংদা খন্নবা হৌরে, মদুনা ভেক্সিন অদুগী ইফিকেসি হেনগৎহনবদা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা য়াই হায়রি।

কোভিদকী ৱাথোক অসিগী অমত্তা ঙায়রবা প্রক্টিকেল সোল্যুসন অসি ভেক্সিনশিং অসিনা ওইরগসু নৌনা থোরক্লিবা ভেরিয়ন্টশিং অসিগী মায়োক্তা ভেক্সিনশিং অসি মপুঙ ফানা ইফেক্টিভ ওইদবগী ফিভম অমা লৈবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা লান্দারকপা ঙম্নবগী অকক্নবা অহোবশিং লৈহনবগী ফিভম লৈরক্লি।

মদু ওইদুনসু, সাইন্টিষ্টশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনরি অমদি ভেক্সিনশিংগী ইফিকেসি হেনগৎহন্নবগীদমক কোভিদ ভেক্সিনগী বুষ্টর নৎত্রগা অহুমশুবা দোজ অমা দিভেলপ তৌনবা হায়নরক্লি। বুষ্টর দোজ হায়বসি ভাইরস অদুগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন হেন্না নীংথিনা পীবা ভেক্সিনগী অহেনবা দোজ অমনি। মসি মীওই অমগী ইম্যুন সিষ্টেমবু ইম্যুনাইজিং এন্টিজেন অদুদা অমুক হন্না এক্সপোজ তৌনবনি।

মতম মতমগী ওইনা অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং থোরক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা মপুঙ ফানা ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংসু মখা তানা অদুম্মক রিস্ক লৈরি। ভেক্সিনগী দোজ অনীমক কাপ্পবা মতুংদা ফাওবা ম্যুটেসনশিংনা ভেক্সিন অদুবু ইফেক্টিভ ওইবগী চাং হন্থহল্লি।

ইন্টর্ভিয়ু অমদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী দিরেক্টর ডা. দন্দিপ গুলেরিয়ানা হায়খিবদা, মতমগী মতুংইন্না ইম্যুনিটি অসি হন্থরকপনা মরম ওইরগা ঐখোয়না ভেক্সিনশিংগী অহেনবা বুষ্টর দোজ অমা মথৌ তারকপা য়াবগী ফিভম লৈরে। ইম্যুনিটি তপ্পা তপ্পা ময়েং তারকপগী ফিভম লৈ। নৌনা থোরক্লিবা তোঙান তোঙানবা ভেরিয়ন্টশিং অসিবু কোনশিনগদবা বুষ্টর দোজ অমা মথৌ তারক্কনি।

ইম্যুনিটি পীবগী মতাংদা হেন্না ফগদবা, অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংবুসু কোনশিনগদবা অমদি ওলভরওল ইফিকেসিগী চাংসু হেনবা সেকেন্দ-জেনরেসন ভেক্সিনশিং লৈরগনি। বুষ্টর ভেক্সিন শোর্টশিং শেম্নবগী মতাংদসু থবক তৌবা হৌরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ডা. গুলেরিয়াগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা চহী অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবদদি বুষ্টর দোজ অমা মথৌ তারবা য়াই। অদুবু মদু মীপুম খুদিংমক ভেক্সিন কাপ্পবা মতুংদা তৌগদবনি, মদুগী মথং তারকপদা বুষ্টর দোজ অমা কাপ্পগী থবক অদু তৌগদবনি।

মমাঙদা, ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী চীফ সাইন্টিষ্ট সৌম্যা স্বামিনাথননা হায়খিবা লৈরে মদুদি, কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌরবা মতুংদা কোভিদ বুষ্টর শোটনা ইফেক্টিভ ওইবা য়াই হায়বা তাকপা সাইন্টিফিক প্রুফ মতীক চানা লৈতে।

বুষ্টর দোজ অমা মথৌ তাগদ্রা তারোইদ্রা হায়বগী রেক্কমেন্দেসন শেম্নবা মথৌ তাবা ইনফোর্মেসন অদু ঐখোয়দা লৈতে হায়নসু স্বামিনাথননা হায়খি।

স্বামিনাথনগী মতুংইন্না, খুন্নাই অসিদা লৈরিবা লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবগী খুদোংথীবা লৈবা মীওইশিং ফাওবা মখোয়গী অহানবা তাঙ্কক্কী ভেক্সিনসন ফংদ্রিঙৈ অসিদা অসিগুম্বা ৱাফম অমা হৌদোরকপা হায়বসি প্রিমেচ্যুর ওই হায়রি।

চৈরক অসিদা দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)না অহুমশুবা বুষ্টর দোজকী ক্লিনিকেল ট্রায়লশিং চথনবগীদমক এপ্রিল থাদা ভারত বাইওটেকতা অয়াবা পীখ্রে। হৌজিক হৌজিক ভারত বাইওটেক্না বুষ্টর দোজগী ট্রায়লশিং চথরি হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মে থাদা চথখিবা অহানবা ট্রায়লগী রিজল্টশিং ওগষ্ট থাদা লাক্কনি অদুগা অনীশুবা ট্রায়লনা চহী অসিগী নভেম্বর থাদা তৌরবা য়াই হায়না পানরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

কোভিদ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী মখাদা লুপা লিশিং ৫ পীগনি হায়রকপা থাগৎলি

কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিনা মীয়ামবু ৱাহল্লক্লিবা অসি চহী ২ মপুং ফারক্কদৌরে। পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা মীচম মীয়ামদগী হৌরগা ষ্টেট অসিগী শেম্নীৎলোনদা অসুক্কী মতীক চাওনা শোকহল্লে। লৈত-লায়রবা মীওইশিংদি কোক্তা খুৎ হাপ্পা হায়বদু ওইরে। থেঙলবসু থেঙনা লৈঙাক্লা লৈত-লায়রবশিংগী মতেং ওইননবা চীফ মিনিষ্টর্স কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিম হায়বা স্কিম অমা হৌদোকপীরক্তুনা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংশিংদা লুপা লিশিং ৫গী মতেং পীগনি হায়বা তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকচৈ। অদুবু লুরিবদি স্কিম অসিগী মখাদা তশেংনা কান্নবা ফংগদৌরিবশিং অসি কনা-কনানো? কমদৌনা খঙদোক্কনি হায়বা অসিনি। লৈঙাক্লা অমদি সেন্টরনা মীয়ামগী য়াইফনবা স্কিম কয়া পায়খৎলবসু লমদম অসিদদি তশেংনা ফংফম থোকপশিং ফংবদা অদুম্মক ৱানা থোক্লি। মীচং শঙ্ক লৈজদবা কয়াদি কান্নফম খঙদনা লাক্লি। থা-থাগী চেঙ খরা-খরা পীবীরিবা অসি ফাওবদা ৱাথোক্লা পীক থল্লি। চেঙ শুনা পীদে অমদি চেঙ ফংদে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া লাক্লি। লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই। অদুগা হন্দক মরক অসি সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট অমদি ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অনীগী মরক্তা পাউ ফাওনবা ৱাৎপগী মমি অমা চাওনা তারিবা অসি তাহন্নিংদে।

❐ নাওরেম ইনাওতোম্বা, লৈমপোকপম খুনফম মখা লৈকাই

টোটেল কর্ফিয়ু পাম্লিবা লৈঙাক অসিগী খক্ নত্তে, ঐখোয় পুন্নমক্কনি হায়বা ৱাফম কাউগুমসি



অনাবা অয়াম্বদি মী অমদগী মী অমদা পাক্লা শন্দাক্তে। শন্দোক্লবসু ঙাকথোকপা ঙম্বনা অয়াম্বনি। লোৎশিন্দুনা থম্বদা মাঙজরিবা অসি অনাবা মী মশা অদুনি। অদুবু কোরোনানা নাহল্লিবা মহীক অসিদি পাক শান্না মী অমদগী মী অমদা শন্দোকপা মরম্না অনাবা মী অমদগী অতোপ্পা মী অমদা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা লায়না অসি লোৎশিন্দুনা থম্বদা ইমুংদগী, লৈকাই-লৈকাইদগী অমদি লৈবাক পুম্বা নারক্কনি। লোৎশিনবগী মহুৎ লাইচৎ অসিনা পোজিটিভ ওইহল্লব্রা নৎত্রগা ওইদ্রিব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌথোক্তুনা ইশা-ইশা কঞ্জবখক নৎতনা অতোপ্পা মীওইগী থৱায়শিংবু কন্নবা হোৎনবনা ঐখোয়-ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি খঙমিন্নসি। ইশানবু চেকশিল্লবদি নুংশিরবা ইমুং-মনুং খক্ নৎতনা লৈবাক মীয়াম কনবা ঙমগদৌরিবনি। টোটেল কর্ফিয়ু লৈঙাক অসিনা থম্লিবা অসি শুপ্পগী লৈবাক লৈঙাক্কী কান্ননবরা? অদুগা নোংগী চারা তান্দুনা হিংজবা ঐখোয়গী মাঙজবরা হায়বা ৱাফম ঐখোয় পুন্নমক্লা খন্থমিন্নসি। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পুন্নমক্লা ৱাখল তামিন্নরবদি করিগী অৱাবা চৈথেং মরক অসিদা অমুক্কা টোটেল কর্ফিয়ু থম্বগী মথৌ তাগদৌরিবনো? লৈঙাক্লা থম্লিবা টোটেল কর্ফিয়ু অসি লৈঙাক খক্কী কান্ননবা থম্বা নত্তে। ঐখোয় পুন্নমক্কী থৱায় কন্ননবা থম্বনি হায়বা ৱাফম কাউগুমসি। অসুক য়ৌনা ৱারবা মতম অসিদা করিগুম্বা ঐখোয় পুন্নমক্না চেকশিন্দনা লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্লবদি অৱাবগী মথক্তা অমুক হেন্না অৱাবা হায়বদু ওইরক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমক লৈঙাক্লা শেম্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অমদি কর্ফিয়ু মপুং ফানা শৌগৎনবা হোৎনমিন্নখিসি।

❐ এস কে নাওরেম, শীংজমৈ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭। ০৭। ২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা;
ইঙেনগী ১৯নি পানবা।

মেষ: মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াবা, নচাক নরলগী খনবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোননা ওইজ-ওইথক তানবদা হেন্না কান্নবা নুমীৎনি। হন্থবা অমদি হুরনবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: ইমুং-মনুংদা শাওনদনা লৈবনা মরুপ-মপাং কায়নবা য়াবদৈসু কনগনি। ফিংবা অমদি খোয়রাংবা ফাথবনা অশিংবা ওইগনি। মীংচৎ অমদি থবক্কী নুংঙাইবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: ৱা ঙাংবা অমদি য়েৎনবা/অফা অপুনগী লমদা চেকশিল্লু। য়ারগদি লাল্লনু অমদি মতাং চাবদা থৌনা ফুদোকপদি কাওগনু-য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট: পাউ নুংঙাইবা তাজে অমদি অনৌবা মরুপ ফংবা য়ানা লৈ, লম চৎপা কান্নগনি। লৌশিং ফুদোকপা ইঙম ঙমলোই-খন্থরগা থৌ পাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: ঙসিসু নীংজবা মপা চাগনি, লাইবক য়াম্না ফগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপীগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইতে, অশাওবা/ফিংবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: নক্নববু পঙথা থাজবা য়াদে অমদি ফিংবনা মাঙজবা লৈগনি। হকচাং খিঙবা, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি লন ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: হান্নদগী পাঙলকপা থবক অদুম মখা চথনা পাঙবা অকায়বা লৈরোই। লৌশিং তানশিনবা অমদি অচুম্বনা মাংওইনবা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: তীন্নবনা থাজদনা লৌথোকপা পাম্বা অমদি হন্থবা লোয়নবনা মাঙজবা লৈগনি। ইমুং-মনুংগী ৱা তাউ, মীয়ামগী অপাম্বদা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু: মীচঙ হেনগৎপা অমদি থৌনা ফুদোকপা য়াবা মতাং লৈরসু মীকোক থোংবদি ৱাগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নবা ৱাৎকনি-নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: লম অয়াম্বদা চেকশিন্না চৎলু। অখং অহৈগী ৱা লৌদবা তৌগনু। অশাওবা, চিন কনবা অমদি খাঙবা কন্দবনা তাথি। থেংলপ্লা খরা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

কুম্ভ: হরাওবা নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি আশা চাউবা নুমীৎনি। অদুবু লৌশিং ফুদোকনা থৌ পাঙবা ঙমলোই অদুনা মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন: অনম তানবা য়াদে অমদি য়েক্নবনা পাঙ্গল্লি। ঈংথনা লৈয়ু অমদি হোয়া ফগনু। অরাপ্পা মীগী মতেংদি কান্নগনি, পাউ নুংঙাইবা তাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।